**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-06-2024)**

**মীখলঃ** মনিপুরগী লোক সভা সিট অনিমক্তা কংগ্রেসনা চাউনা মায় পাক্লে। ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর অমসুং আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী ওরাং ভোট থিবা লোইবদা ইন্দিয়া ব্লোকনা পুন্না থাগৎপা কংগ্রেসকী মীরেপনা মখোয় মখোয়গী নকবা লম্বশিংদগী ভোট মশিং চাউনা হেনদুনা মায় পাকখিবনি।

ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মাগী খ্বাইদগী নকবা লম্বা বি.জে.পিগী থৌনাওজম বসন্তকুমারদগী ভোট মশিং লাখ ১ লিশিং ৯,৮০১ হেনদুনা কাখি।

মীখল অসিদা সিট অসিদা শ্রী বিমোল অকোইজমনা ভোট মশিং লাখ ৩ লিশিং ৭৪,০১৭ ফংবদা বি.জে.পিগী থৌনাওজম বসন্তকুমারনা ভোট মশিং লাখ অনি লিশিং ৬৪,২১৬ ফংখি।

আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটতনা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেন্দ কাঙম আথরনা ভোট মশিং লাখ অহুম লিশিং ৮৪,৯৫৪ ফংখি। মহাকা মাগী খ্বাইদগী নকবা লম্বা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) কী কে. তিমোথি জিমিক্তগী ভোট মশিং লিশিং ৮৫, ৪১৮ হেনদুনা কাখি। নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কচুই তিমোথি জিমিকনা ভোট মশিং লাখ অনি লিশিং ৯৯,৫৩৬ ফংখি। মীখলদা মায় পাক্লবা মীরেপশিংদা মরী লৈনবা রিটর্নিং ওফিসারশিংনা সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখ্রে।

**ডে(এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টকী থৌরম পাঙথোক্কনি। কুমশি চহিগী হীরমনা লেন্দ রেসটোরেসন, দিজাটফিকেসন অমসুং দ্রাউট রিজাইলেন্স হায়বসিনি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা বিভাগ অসিদা পাঙথোক্কনি। থৌরমদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-নোংমাইথেম রাজমুহোন সিংহ শরুক য়াগনি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা মনিপুরদা ক্লাইমেট এক্সন অমসুং গ্রীন এদুকেসন প্রোগ্রামদা কলেজশিংগী দায়ত্ব হায়বসিদা খন্ন-নৈনবা অমসু পাঙথোক্কনি।

নেসনেল পোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ অমসুং নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা শিনদুনা মালেমগী অকোইবগী খল ঙাক শেনবা নুমিৎ ইম্ফালদা লৈবা টি.জি. হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী হেলথ সার্ভির্সেস দাইরেক্তর-ও. সনাহনবী, ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর-ডা: সোমোরজিৎ নিঙোম্বব অমসুং টি.জি. হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল-শ্রীমতি বিনিতা এলাংবম শরুক য়াগনি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট থৌরমগা মরী লৈননা য়েংলৈ নর্সরি হাউস, ইকো নেটৱার্ক-হৈরোক অমসুং লক্সনা ৱিট নেচরগা পুন্না শিনদুনা থা অমা চুপা পাঙথোক্কদৌরিবা অকোইবগী খল ঙাকপগী থৌরমগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থাগদবা উ চারাশিং য়েম্থোকখ্রে।

**মীখল (এন)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা বি.জে.পিনা মেজোরিতি ফংবা ঙমদ্রে। ঙরাং লাউথোকখিবা মীখলগী ফলদা বি.জে.পিনা সিট ২৪০ দা মায় পাকলে। কংগ্রেসনা সিট ৯৯ দা, সমাজৱাদি পার্টিনা সিট ৩৭ তা, ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কংগ্রেসনা সিট ২৯ দা, দি.এম.কেনা সিট ২২ দা, তেলিগু দেসামনা সিট ১৬ তা, জনতা দল (য়ুনাইটেদ) না সিট ১২ দা, শিবা সেনা (উধপ বালা সহেব থাক্রে) না সিট ৯ দা, এন.সি.পি (সরত পৱার) না সিট ৮ দা অমদি অতৈ দলশিংনা সিট ৭১ দা মায় পাকখি। মীখল অসিদা মায়থিরবশিংগী মনুংদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-স্মৃতি ইরানি, আর.কে. সিংহ, অরজন মুন্দা, রাজিবচন্দ্র সেখর,

অজয় কুমার মিশ্রা, নিশিত প্রমানিকনচিংবা য়াওরি। বি.জে.পি. লুচিংবা মেনেকা গান্দি, এন.পি.পি. লুচিংবী অগাথা সংমাসু মায়থিহৌরে। মায় পাক্লবশিংগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, রোড ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি-নিতিন গদকারি, আইন মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি, সাসি থারুর, ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং বোল্লিবুদ স্তার-সত্রুঘন সিনহা, ক্রিকেট্টর য়ুসুব পথাননচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া ব্লোক্তা য়াওরিবা রাজনিতি দলশিংগী মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। এ.আই.সি.সিগী হেদক্বাটরদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজন্ খর্গেনা হায়-লোক সভা মীখলগী ফল অসি গনতন্ত্র অমসুং মীয়ামগী মায় পাকপনি। মহাকা হায়-মীখল অসিদা কনাগুম্বা রাজনিতি দল অমত্তনা মেজোরিতি ফংবা ঙমদ্রে। মীয়ামনা পীরিবা রাই অদুবু লৌরদুনা মহাকা হায়-কংগ্রেসনা শিনখিবা ভারত জোরো নিয়াই যাত্রানা মীওই লাখ কয়ামরুম নৌহৌননা শমহনখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়-হন্দক্কী মীখল অসি রাজনিতি দল অমখক্কী নত্তে। হন্দক্কী মীখল অসি সংবিধানবু কন্নবগীদমক্তনি। মরম অদুনা মীয়ামনা বি.জে.পিনা লৈবাক অসি অমুক হন্না সাসন তৌবা পামদ্রে হায়বদু উৎলি।

মরক অসিদা, মীখলগী ফল লাউথোকপা লোয়খিবগা লোয়ননা কেন্দ্রদা সরকার শেমনবা রাজনিতি দলশিংনা লাল্লোং য়াৎপা হৌনরে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়-এন.দি.এনা মীখল অসিদা সিট ২৯২ দা মায় পাক্লে। অদুগা ইন্দিয়া এল্লাইয়েন্সন সিট ২৩৩ দা মায় পাক্লি। ইন্দিয়া ব্লোকনা তেলিগু দেসম অমসুং জনাতা দল য়ুনাইটেদকী লুচিংবশিং উন্ননবা থৌরাং তৌরি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি. লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-কেন্দ্রদা অহুমলকশুবা ওইনা এন.দি.এনা সরকার শেম্বা হায়সি শোয়দ্রে। ন্যু দিল্লিদা

লৈবা বি.জে.পি. হেদক্কাটরসতা দলগী কর্মিশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী মীয়ামনা মীখলদা বি.জে.পি. অমসুং এন.দি.এদা মপুং ফানা থাজবা থন্নীখি।

মহাকা হায়-হন্দক্কী মায় পাকপা অসি ভারত সংবিধান অমসুং সব কা সাদ, সব কা বিকাশ হায়বা মন্ত্রদা মীয়ামনা থাজবীবদগী মায় পাকপনি। লোক সভা মীখল ২০২৪ মায় পাকা পাঙথোকপদা শ্রী মোদিনা ইলেক্সন কম্মিসন অমসুং মসিদা শরুক য়ারিবা মীপুম খুদিংমকপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দলগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দানা হায়-নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন.দি.এ) শেমখ্রবা মতুং ভারতকী রাজনিতিগী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা চুংশিন্নবা সরকার থংন-থংননা টার্ম অহুম লৈবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। বিরোধি দলশিংনা অরানবা প্রচারদা থবক তৌই হায়দুনা মরাল শিরি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমদি লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**ক্রিকেট ঃ** য়ু.এস.এ. অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইদুনা হৌজিক চথুরিবা আই.সি.সি. টোইন্তি টোইন্তি মেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা ঙসি নসাউ কাউন্তি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ভারতকা আইয়লেন্দগা শান্নরগনি।

ঙরাং  গ্রান্ট পেরি ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম-দলাসতা শান্নখিবা মেটচ অমদা নেদরলেন্সনা নেপালবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখি। ইংলেন্দ অমসুং স্কোটলেন্দগী মেটচ নোং চুবনা মরম ওইদুনা মেটচ য়ৈথোকখ্রে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

লোক সভা মীখলদা ইন্নর অমসুং আউটর মনিপুর লোক সভা সিটতা কংগ্রেস মীরেপশিংনা চাউনা মায় পাকখিব, এন.দি.এনা সিট ২৯২ ফংদুনা এপসোলুট মেজোরিতি ওইরে, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অহুমশুবা টার্মগী

সরকার শেমবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচে পুম মক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা চাউনা ফোংনরি।

তমেংলোংদা ফোংবা পাউ-চে গানফিয়ু মেলদা-ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি অমদি টি.দি.পি, জে.দি.য়ুদা সরকার শেম্মীন্ননবা হায়নবগীদমক ৱাফম খন্নরগনি হায়বা কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-বি.জে.পিনা মায়থিরিবা অসি মনিপুরগী হিংশাবু লুমা লৌদবগীনি হায়বা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-মেঘাচন্দ্রগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মীখলদা বি.জে.পি. মায়থিখিবদগী বি.জে.পি. মনুংদা উংখৎনবা লাক্লে। মুখ্য মন্ত্রি শিনদ্রবদি দল মচেৎ তারবা য়াই হায়বা পাউনা হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মীয়ামগী ৱায়েল হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী ইদিটোরিয়েল ওইরি। ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে হায়বসিনা পোকফমগী এদিটোরিয়েল ওইরি। মীয়ামগী ৱায়েল, দা ভরদিক হায়বসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী ইদিটোরিয়েল ওইরি। হুইয়েন লানপাউগী ইদিটোরিয়েলদা রিলিফ অমসুং রিহেবিলিটেসন থিন্থগনু, য়োংগী তলয়েনসু তৌগসু।

মীখলদি লোয়খ্রে, ফিভম লুগদৌরি, কুকিশিংগী ইশু লাইরোইদৌরি হায়বসিনা মনিপুর ন্যুজকী ইদিটোরিয়েল ওইরি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে, লৈবাক লৈহাও মাংশিল্লকপদগী কনবা চুম্মী হায়বসিনা সনা লৈবাক্কী ইদিটোরিয়েল ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংগী ইদিটোরিয়েলদা সিট অনি লৈবা মনিপুরদা বি.জে.পিনা চাউনা মায়থিরকপা হায়না ফোংলি।

খুমুজম্বা মীতৈ লৈকাইবু পাইতেশিংনা কৈথেল ওন্থোকবা হোৎনরকপা হায়বসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী ইদিটোরিয়েল ওইরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী ইদিটোরিয়েলদনা মীয়ামগী ৱায়েল অমসুং মীয়ামগী রাই হায়না ফোংলি।

দি-ফোরেষ্টত্রেসন হায়বসিনা মনিপুর মেলগী ইদিটোরিয়েল ওইরি। সরকার পায়রিবা দলগী মীরেপ মায়থিরে, মীয়ামগী ৱায়েল হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী ইদিটোরিয়েল ওইরি।

শগোলবন্দা লৈবা চীফ ইঞ্জিনিয়ার অমগী য়ুমদা বোম লংশিনদুনা পোকখায়হল্লম্লে হায়বা পাউ অমা মোরনিং বেলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। মনিপুরগী ষ্টেট বার্ড নোংয়িন য়োকখৎতুনা থমনবা মীয়াম পুন্না হোৎনরি হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংবা থেংনরে।

ম্যান্মারদা শাশিন্নবা থবক লৌবগী মতাংদা চেকশিন্নবা ভারতনা অনৌবা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অনিদা ওপরেসন চথখ্রে। লোৎশিনদুনা থম্লম্বা খুৎলায় ফংবা ঙমখ্রে হায়বসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।